# কাশ্মিরদা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌরকপদা মীওই ৮ শিখ্রে, ১৫০ হেন্না শোক্লে



শ্রীনাগর, জুলাই ০৯ (এজেন্সী) :

কাশ্মিরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লকপদগী থোরকপা খুৎ থোক্ল বগী থৌদোকশিংদা মীওই নিপান শিরে অমসুং ১৫০ হেন্না শোক্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

তমথিরবা মওংদা মীওই মশেল খুৎ থোক্লরকপদা মীওই অমা কুলগাম দিষ্ট্রিক্টতা শিখি অমসুং অতোপ্পা অমনা অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা শিখি। খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম্না সাউথ কাশ্মিরদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন মঙা মৈ থাদুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্লে হায়রি। পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী ট্রাল টাউনদা খ্বাইদগী পাম্না ফাগদবদগী তান্নরকখিবা মিলিটেন্ট লুচিংবা বরহান ৱানিগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিঙৈদা ইখঙ খঙহৌদনা মীওই কয়ানা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি।

পনবা য়াবদি, বরহান ৱানিবু ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মীয়াম্না ঈহৌ হৌরকপদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা অমরনাথ যাত্রাগী থৌরম ঙসি নোংমগী ওইবা কেন্সেল তৌখি।

পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, পুলগাম দিষ্ট্রিক্টকী নিলোবগাম এরিয়াদা মীয়াম্না বি জে পিগী ওফিস অমদা এটেক চথুদুনা অমাঙ অতা থোকহল্লম্লে। বরামুলা দিষ্ট্রিক্টকী সোপোর টাউন অমদি কুলগাম দিষ্ট্রিক্টকী দমহাল হঞ্জিপোরাদসু মীয়াম্না অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকখি। ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কাশ্মিরগী বরামুলা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা শীরি, ক্রিরি, দেলিনা, পট্টান অমসুং পলহালনদা মীয়াম্না তমথিবা মওংদা নুঙ লংশিন্দুনা পুলিস ষ্টেসন অমদি গভর্ণমেন্টকী ওফিস কয়াদা এটেক চথুরকখি।

কাশ্মিরগী মফম পুম্নমক্তা মোবাইল ইন্টর্নেট সার্ভিস সস্পেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা সাউথ কাশ্মিরদা মোবাইল টেলিফোন সার্ভিসসু সস্পেন্দ তৌখি।

শ্রীনগরদা নাওহাতা, খনয়ার, রাইনৱারি, এম আর গুঞ্জ, সফাকাদার, মাইসুমা, ক্রালখুদ য়াওনা মফম কয়াদা অথিংবা থমদুনা মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা হোৎনখি। মীয়ামগী খোঙজংনা মরম ওইরদুনা স্কুলগী বোর্দ ইগজামিনেসনসু ঙসি নোংমগী ওইনা য়েথোকখি। কাশ্মিরগী বরামুলাদগীনা জম্মুগী বানিহাল টাউন ফাওবা চেনগদবা ট্রেন সার্ভিস পুম্নমক লেপহনখি।

চৈরকসিদা, সয়দ অলি গিলানি, মিরৱাইজ, উমর ফরুক অমসুং অসিয়া অন্দ্রাভি য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেপরেটিষ্ট লিদরশিংনা ৱানি লৈখিদবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা কাশ্মির তম্পাক্কী মফম পুম্নমক্তা বন্দ কৌখ্রে।

# ওরিষাদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা চথুখিবা এন্টি মাওইষ্ট ওপরেসনদা মীওই মঙা শিরে

ভুবনেশ্বর, জুলাই ০৯ (এজেন্সী) :

ওরিষাগী কন্ধমান দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মাওইষ্ট লালহৌবশিংগী মথক্তা চথুখিবা ওপরেসন্দা মীওই মঙা শিরে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (সাউর্দন রেঞ্জ অমিতাফ থাকুর) না হায়খি, সিক্যুরিট ফোর্সেস অমসুং মাওইষ্ট লালহৌবশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লরকপদা মীচম মঙা শিখ্রে। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা নুপা অনী, নুপী অনী অমসুং চহী ৫ শুবদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা য়াওখি। অতোপ্পা মীওই অনীসু থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংখি। তুমুদিবন্ধা ব্লোক্কী মনুং চনবা জকিংগিয়া অমসুং গুমুরমুহাদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মফম অদুদা থি-হুম্বগী থবক চথুরিঙৈদা মনাক নক্লা লৈবা চীংথক অমদগী মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনসু খুৎ হন্দুনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপখিবগা লোয়ননা চীংথক্তা লোৎতুনা লৈরিবা লালহৌবশিং অদু খুদুম চন্নবা হোৎনখি।

মতাং অদুদা মীচম মাপন ওটোরিক্সো অমা তোংলগা লাকপদগী



মীওইশিং অদুগী মনুংদা মীওই মঙা হায়দোরকপা মরুনা পান্দুনা শিখিবনি হায়না থাকুরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মফম অদুগী অকোয়বদা মখা তানা থি-হুম্বগী থবক চথুদুনা মাওইষ্ট লালহৌবশিং ফানবা হোৎনরি। মীচম মঙা শিবগী পাউ হেক ফংবগা খোয়শাউনরবা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লক্তুনা পুলিস ষ্টেসন অমদি গভর্ণমেন্টকী ওফিস কয়াদা নুঙ লংশিন্দুনা এটেক চথুরকখি। কন্ধমাল দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস পিনাক মিশ্রানা হায়খি মদুদি, থৌদোক থোকফমদা অহেনবা সিক্যুরিটি পার্সনেল থাজিন্দুনা থি-হুম্বগী থবক মখা তানা চথুরি।

অমরোমদা, হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট অমসুং জর্নেলিষ্ট রবিদাসনা হায়খি মদুদি, পুলিসনা মতৌ অসুম্না মীচম কয়া নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপগী থৌওং অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। থৌদোক অদুগী মতাংদা জুদিসিএল ইনক্বারি চথুদুনা মরাল লৈবা পুলিস পার্সনেল পুম্নমক থবক্তগী লৌথোক্কদবনি।

মরকসিদা, থৌদোক থোকখিবা মফম অদুদা খুঞ্জা মীয়াম্না সিট-ইন-প্রোটেষ্ট চথুদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

# আর এস এসনা কন্সটিট্যুসন শেমদোক্লবা হোৎনরে

পাটনা, জুলাই ০৯ (এজেন্সী) :

রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী প্রসিদেন্ট লালু প্রসাদ য়াদবনা হায়খ্রে মদুদি, রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস)না দলিটশিংগী মায়োক্তা লৈবা অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, আর এস এসকী ৱাখল্লোন অসি খুদোংথীনিংঙাই ওই। আর এস এসনা লৈবাক্কী হৌজিক লৈরিবা পার্লিয়ামেন্ট অসিবু সম্ভিধান সভা (কন্সটিট্যুসন এসেমব্লি) ওন্থোকপগা লোয়ননা দলিটশিংগী মায়োক্তা লৈবা অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

দলিট অমদি শোত্থনা লৈহৌরবা ফুরুপকী মীওইশিংদা রিজার্ভেসন পীগদবনি হায়বা কন্সটিট্যুসনগী ৱাফম থৌশাদবগা লোয়ননা আর এস এসনা দলিট অমদি অতৈ শোত্থহৌরবা কাঙলুপকী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্লি। মরুওইনা আর এস এসকী লুচিংবা মোহন ভগৱটনা য়াম্না তোয়না রিজার্ভেসনগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙদুনা লাকখি। পুম্নমক অসিদগী রাইট ৱিং ওর্গনাইজেসন অসিনা অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমা শেম্নবা হোৎনরে হায়না লৌবা য়ারে।

অমরোমদা, লালু প্রসাদ য়াদবকী ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা লোক জন্নশক্তি পার্টি (এল জে পি)গী লুচিংবা রাম বিলাস পাস্বাননা হায়খ্রে মদুদি, বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা লালু প্রসাদ য়াদব অশাবা সর্টিফিকেট পায়বা মীওইনি। মহৈ-মশিন নীংথিনা হৈতবা মরম্না কন্সটিট্যুসনগী মতাংদা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদবগী মওংদা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লৈরে।

ভগলপুরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরিবা রাম বিলাস পাস্বাননা হায়খি, লালু প্রসাদনা মুস্লিমশিংবু নুংশিদে হায়বা মহাক্না তৌথোরকপা থবকশিংনা ময়েক শেংনা তাক্লে। করিগুম্বা আর জে দিগী লুচিংবা অসিনা শোত্থহৌরবা ফুরুপকী মীওইশিংবু নুংশিবা তারবদি অব্দুল বারি সিদিকিবু বিহারগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লমগদবনি।

বিহারদা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারগী মতাংদা পাস্বাননা হায়খি, জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু), রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি) অমসুং কোংগ্রেসনা পুল্লগা শেম্বা মহাগথবন্ধননা ষ্টেট অসিদা মহাজঙ্গলরাজ পুরক্লে।

এল জে পিগী মীওই খরা আর জে দিদা য়াওনবা থৌরাং তৌরে হায়না লালু প্রসাদনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমবু মহাক্না অরানবনি হায়না ফোঙদোকখি।

জিতন রাম মনঝীগী মতাংদা পাস্বাননা হায়খি, লালু প্রসাদনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী থবক থৌরমদা খুৎ থিংজিনবা চুমদে। পনবা য়াবদি, পাস্বানগী মহুৎতা জিতন রাম মনঝীবু য়ুনিয়ন কেবিনেটতা য়াওহনগদবনি হায়না লালুনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# মধ্য প্রদেশকী ঈচাওদা মীওই ১১ শিখ্রে



ভোপাল, জুলাই ০৯ (এজেন্সী) :

মধ্য প্রদেশতা নুমিৎ খরনি নোং কন্না চুরকখিবগা লোয়ননা মফম কয়াদা ঈচাও থোকপদগী মীওই ১১ শিরে অমসুং অতোপ্পা মীওই কয়াবুনা ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহাননা পাউমীশিংদা হায়খি, হৌখিবা নুমিৎ মরিনিগী মনুংদা ঈচাওনা মরম ওইরদুনা মীওই ৮ শিখি। ভোপাল, টিকমগর, রেৱা, ঝাবুৱা, বেটুল, রাইসেন অমদি পাটনাদা ঈচাওনা মরম ওইরগা শিহনখিবা মীওই ১১ শুরে।

নর্মদা তুরেল অমদি ষ্টেট অসিদা চেল্লিবা তুরেল অয়াম্বগী ঈমায় খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থাক্তগী হেনগৎনা চেল্লে হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ঈচাওগা মরী লৈননা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎলি।

চীফ মিনিষ্টরনা হলালি দাম মনাক্তা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগা উননবা থৌরাং তৌরম্বনি অদুবু ঈচাওনা মরম ওইরগা য়ৈথোকপা তাখি। মহাক্না হায়খি, মিনিষ্টরশিংনা মীফমদা শরুক য়াবগী মহুৎতা মশা মশাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চৎতুনা অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

মরকসিদা, নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সনা ভোপাল অমদি ষ্টেট অসিগী অতৈ মফম কয়াদা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলি। সটনা দিষ্ট্রিক্টকী রঘুরাজ টেহসিলদা ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওই ৪০০ রোম খুদক্কী ওইনা হাংদোকপা রিলিফ কেম্পশিংদা পুরকখি।

টমাজ, সোনে অমসুং মন্দাকিনি তুরেলগী ঈমায় পাথোরকপদগী মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিনখ্রবা মতুংদা আর্মি, এন দি আর এফ অমসুং ষ্টেট পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা মীওই ৩০০ রোম খুদোংথীবা থোক্লোইদবা মফমদা পুথোরকখি।

# কেরলাদগী মাঙখিবা ১৩ আই এসতা য়াওরম্বা য়াই চিংনরি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৯ (এজেন্সী) :

কেরলাগী কসারগোদ দিষ্ট্রিক্টতগী মফম খঙদনা মাঙখিবা মুস্লিম ১৩ ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস) দা য়াওরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মীওইশিং অদুগী মরী-মতানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না থা অমরোমগী মমাঙদা থিবা খঙখিদ্রবা মীওইশিং অদুনা মখোয়গী পন্থুংফম য়ৌরে হায়না ইমুং মনুংদা পাউ পীরকখি। হায়রিবা মীওইশিং অদু দুবাই নৎত্রগা শ্রীলঙ্কাদা চৎনবা থৌরাং তৌখিবনি।

পদান্নাদগী অব্দুল সলাম কৌবা মীওই অমনা হায়খি মদুদি, মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা নুপী মরি, নুপা মাপন অমসুং পীক্লিবা অঙাং অমা য়াওখি। নুপী অহুমদি মশা ৱাই শংখিদ্রে হায়রি।

লোকল স্কুল অমগী মেনেজর ওইবা অমসুং হন্দক্তা নৌনা ইস্লাম লাইনিং লৌখিবা মীওই অমসু মাঙখ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা য়াওখিরম্মী। ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংনা থৌদোক অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথুদুনা মাঙখ্রবা মীওইশিং অদুগী খোঙ্গুল লিনবা হোৎনরি।

হীরম অসিগী মতাংদা কসারগোদকী সী পি আই (এম) গী এম পি করুনাকরন, ত্রিকারিপুরগী এম এল এ রাজগোপাল অমসুং কসারগোদ দিষ্ট্রিক্টকী পঞ্চায়ট মেম্বর ভি পি পি মুষ্টাফানা চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি ভিজায়ন উনদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীনবা তকশিনখ্রে।

মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মীওই ১৩ অদুগী খোঙ্গুল লিবীনবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহদসু অইবা চেরোল অমা থাখ্রে হায়না করুনাকরননা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখি।

অব্দুল সলাম কৌবা ইমুং-মনুংগী মীওই অমনা এন দি টি ভিদা হায়খি মদুদি, মিদ্দল ইষ্টতা মহৈ তম্বা চৎখিবা মহাক্কী মমাকনুপা অমা মফম খঙদনা মাঙখ্রে। মতম খরগী মমাঙদা হ্বাটসএপকী খুথাংদা পাউ ফাওরক্তুনা ইস্লামিক ষ্টেট য়ৌরে অমসুং অমুক হল্লকপগী ৱাফম লৈত্রে হায়না ফোঙদোরকপা লৈখি। মরক-মরক্তা মীওইশিং অদুনা ময়ুমদা টেলিগ্রাম এপ তৌদুনা পাউ ফাওরক্লবসু মখোয়গী চপ চাবা লৈফমগী মতাংদদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈখিদে।

মিদ্দল ইষ্টতা দোক্টর ওইনা থবক তৌবা মীওই অমনসু ইমুং-মনুংদা পাউ থারক্তুনা অমুক হল্লক্লরোই হায়না ফোঙদোরকপা লৈখি। হীরম অসিগী মতাংদা কসারাগোদ দিষ্ট্রিক্টকী পঞ্চায়ট মেম্বর ভি পি পি মুষ্টাফানা হায়খি মদুদি, আই এস আই এসতা য়াওখ্রবা মীওই অমনা অমুক হন্না ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা পূন্না লৈমিন্নবা য়াদে হায়বা কাঙলোন অমা লৈ। মরম অদুনা কেরলাদগী মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মীওইশিং অদু মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিদা শোয়দনা য়াওরমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

থিবা খঙখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মরী-মতানা ৱাকৎলকপগী মতুংইন্না কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজায়ননা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথুদুনা লংলা-লংজিন পুথোক্লবা পুলিসতা খঙহনখ্রে।

HL-B/3123/3/06-2/07

টৈংঋঞেপ/ লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাক্পীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্থা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাক্পীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্চবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্চবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্চবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

# প্রিন্ট জর্নেলিজমগী থৌদাং চাউই : দিফেন্স মিনিষ্টর



পানাজি, জুলাই ০৯ (এজেন্সী) :

টেলিভিজন জর্নেলিজমদগী প্রিন্ট জর্নেলিজমনা থৌদাং চাউবা হেল্লি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকারনা ফোঙদোকখ্রে।

গোৱাগী কোনুং পানাজিদা পাঙথোকখিবা লাইব্রেরী অমা শানবগী উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমদা মহাক্না হায়খি, টি ভি জর্নেলিজম পুথোরকপা মতমদা মীয়াম্না প্রিন্ট জর্নেলিজমবু মীরাইবগী মওং অমা উবা ফংখি। তশেংবদি টি ভিগী ফুটেজ পুম্নমক শেমদোক শেমজিন তৌবা য়াই হায়বা মীওই অয়াম্বনা খঙনদবগী মওং অমা উবা ফংই। মহাক্না হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমবু মশা খঙহন্দনা টি ভি ফুটেজ অমদা হেক্তমক য়াওহনবা য়াই।

মসিগী ওন্ন-তৈনবা মওংদা প্রিন্ট মিদিয়াদদি শেমজিন-শাজিনবা ৱাফম ফোঙবা য়াদে। হ্বাটসএপতা ন্যুজ অমসুং ইনফোর্মেসন কয়া থাদোরকপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মীয়াম্না সোসল মিদিয়াগী খুথাংদা থাদোরকপা পাউশিংদা থাজবা থম্লোইদবনি। অরানবা তোকঙা শন্দাক্লবগী মরুওইবা পাম্বৈ অমা ওইনা সোসল মিদিয়াবু মীওই কয়ানা খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরক্লি। মীয়াম্না থৌদোক অমগী অচুম্বা ৱারোল খঙনিংলবদি প্রিন্ট মিদিয়াদগী খঙবা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

HL-B/3121/2 Jun to2 Aug (Alt)

CAS Centre for Advanced Studies / No.1 in Manipur

The only institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN

CLASS XII & CLASS XI

NEW BATCH (2016 - 2017)

CLASS X

(Eng, Maths, Science., Social Sc. & Man)

SPECIAL FEATURES:

- Special Guest teachers(Council & Board).
- Experienced and Expert Faculties.
- Exam. Oriented Chapterwise Study Materials.
- Weekly and Monthly Test Series.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Vision for toppers.

New Evening Batches Commencing from 11th July, 2016 (4.30– 7.30) P.M.



17th Position Y. Sadananda 90.6%HSLCE(2015)



15th Position Waikhom Sylvish 92%HSLCE(2013)



16th Position Sonia Naorem 89%HSLCE(2012)

New Batches Commencing from 11th July, 2016

Morning Batch (4.30– 7.30) A.M.

Van Service, Hostel for BOYS & GIRLS available

For Details contact:- CAS Office
Centre for Advanced Studies
Keishampat Junction, Imphal.

রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া

www.rbi.org.in

পেন্দবা ৱাকৎশিং য়েংশিনবা সী ঈ পি সেল

রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই) না **মনিপুরগী চিফ জেনরেল মেনেজর অমসুং ওফিসর-ইন-চার্জ ওইবা শ্রীহাউজেল থাংজামুআনগী** মখাদা (**বেঙ্কিং ওমবুদসমেন স্কিমগা মরী লৈনবা ৱাকৎশিং নত্তবা) পেন্দবা ৱাকৎশিং** থুনা য়েংশিন্নবা কঞ্জ্যুমর এদ্যুকেসন এন্দ প্রোটেক্সন সেল (সী ঈ পি সী) অমা মখাগী এদ্রেস অসিদা শেম্লে ঃ

**রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া
সী ঈ পি সেল
ওপোজিট মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি
লিলাসিং খোঙনাংখোং
ইম্ফাল - ৭৯৫০০১**

কনাগুম্বা মীওইনা ইম্ফালদা লৈবা আর বি আইগী দিপার্টমেন্ট অমা হেক্তগী মায়োক্তা পেন্দবা লৈরবা নৎত্রগা মণিপুর ষ্টেটকী জুরিসদিক্সনদা ইম্ফালদা লৈবা আর বি আইনা রেগ্যুলেট তৌবা এন্টিটিশিংগী মায়োক্তা মখোয়গী সর্ভিস মপুং ফাদবদগী পেন্দবা লৈবা থোক্লবদি পেন্দ্রিবা নুপা নৎত্রগা নুপী অদুনা মথক্কী এদ্রেস অসিদা মপুং ফাবা অশেংবা অকুপ্পা মরমশিংগা লোয়ননা ৱাকৎপা য়াই। মীয়াম্না দেজিগনেটেদ ওফিসর **শ্রী মংতা শৌতে, মেনেজরদসু টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪১১৮১৯** নৎত্রগা ঈ-মেলগী খুথাংদা **cepcimphal@rbi.org.in** দা ৱাকৎপসু য়াই।

ৱাকৎকদৌরিবশিংনা ঈ-পাউ লৌননবগীদমক অমসুং ওন লাইনদা ৱাকৎনবগীদমক্তা রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ৱেবসাইট **http://www.rbi.org.in - আর বি আইগী মায়োক্তা মীচমগী ৱাকৎশিং হায়বসিদা লোগ ওন তৌবা য়াই।**

**দিপোজিৎ ইন্সুরেন্স এন্দ ক্রেদিট গরেন্টী কোর্পোরেসন (দি আই সী জি সী) গী মায়োক্তা তৌবা ৱাকৎশিং য়েংশিন্নবা কমপ্লেন্টস রিদ্রসল সেল**

**দি আই সী জি সীগী মায়োক্তা ৱাকৎকে হায়রবদি মীয়াম্না মখাগী এদ্রেসিদা ৱাকৎপা য়াই ঃ**

**দিপোজিট ইন্সুরেন্স এন্দ ক্রেদিট গরেন্টী কোর্পোরেসন
কমপ্লেন্টস রিদ্রসল সেল
আর বি আই বিল্ডিং, ২ সুবা ফ্লোর
ওপ. মুম্বাই সেনত্রেল রেলৱে ষ্টেসন
মুম্বাই - ৪০০ ০০৮**

দি আই সী জি সীগী মায়োক্তা পেন্দবা লৈবা তারবদি পেন্দ্রিবা নুপা/নুপীদুনা দোক্যুমেন্টশিংগা লোয়ননা অশেংবা মপুং ফাবা মরমশিং পীরগা মথক্কী এদ্রেসসিদা ৱাকৎপা য়াই। মীয়াম্না দি আই সী জি সীগী দেজিগনেটেদ ওফিসর **মিস লাথা রাধাকৃষ্ণন, দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজরদা** টেলিফোন নম্বর ০২২-২৩০১৯৬৪৫ নৎত্রগা ঈ-মেল dicgc@rbi.org.in গী খুথাংদা ৱাকৎপসু য়াই।

**বেঙ্কিং ওম্বুদসমেন স্কিম ২০০৬- বেঙ্কশিংগী মায়োক্তা থাঙ্গৎপা ৱাকৎশিং য়েংশিনবা (কম্মর্সল বেঙ্কশিং, সেদ্যুল্ড প্রাইমরি কো-ওপ বেঙ্কশিং অমসুং রিজনেল রুরেল বেঙ্কশিং)**

বেঙ্কিং ওম্বুদসমেন স্কিম, ২০০৬ তা নাখৈ শেংনা য়াওরিবা ৱাফমশিংগী মতুংইন্না বেঙ্কিং সর্ভিসতা তৌফম থোকপশিং নীংথিনা তৌদবা **কম্মর্স্যাল বেঙ্কশিং, সেদ্যুল্ড প্রাইমরি কো-ওপ বেঙ্কশিং অমসুং রিজনেল রুরেল বেঙ্কশিংগী** মায়োক্তা তৌবা কষ্টমরশিংগী ৱাকৎশিং থুনা ফজনা (মীচং মীখাই নাইদনা) অমসুং শেল ইতিং তিংহন্দনা য়েংশিনবদা খুদোংচানবগীদমক্তা রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা বেঙ্কিং অম্বুদসমেন স্কিম ২০০৬ শেম্লে। অদুমওইনমক, ৱাকৎলিবশিংনা মখোয়গী ৱাকৎশিং অদু মরী লৈনবা ব্রাঞ্চ/বেঙ্কতা হান্না থাঙ্গৎতুনা য়েংশিনহনবা য়াই। মরী লৈনবা ব্রাঞ্চ/বেঙ্কনা নুমিৎ ৩০ নি ফাওবগী মনুংদা ৱাকৎতু য়েংশিনদ্রবদি (নৎত্রগা) ৱাকৎলিবা নুপা নুপীদুদা ব্রাঞ্চ/বেঙ্কনা পীরক্লিবা পাউখুমদুদা পেন্দবা তারবদি মখোয়না থাজজবা দোক্যুমেন্টশিং লৈরগনা মদুসু হাপচিল্লগা অশেংবা মপুং ফাবা মরমশিংগা লোয়ননা মখাগী এদ্রেস অসিদা লমদমসিগী বেঙ্কিং ওম্বুদসমেন (বিও) গী ওফিসতসু ৱাকৎপা য়াই ঃ

**ওফিস ওফ দ বেঙ্কিং ওম্বুদসমেন
রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া
আর বি আই বিল্ডিং, ষ্টেসন রোদ, পান বজার
গুৱাহাটি - ৭৮১০০১
টেলঃ ০৩৬১-২৫১০০৫৪, ফেক্স : ০৩৬১-২৫৪০৪৪৫,
ঈ-মেল boguwahati@rbi.org.in**

বি ওগী মমীং অমসুং এদ্রেস বেঙ্ককী ব্রাঞ্চ খুদিংমক্তসু ফংগনি।

বেঙ্কিং ওমবদসমেন স্কিমগী আপিল তৌবা য়াবা ক্লোজ মখাদা ৱাকৎশিংবু ক্লোস তৌশিল্লগা থমজিল্লম্বা থোক্লবদি স্কিম অসিনা বি ওশিংনা লৌবা ৱারেপকী মায়োক্তা আপিল তৌবা য়াবগী রাইট পীরি। অসিগুম্বা আপিল অমা লৈবা তারবদি বি ওনা লৌরিবা ৱারেপ্পুগী মরোল ফংবা নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা অপিলেট ওথোরিটি, **শ্রী এস এস মুন্দ্রা, দেপ্যুটি গভর্নর অমসুং অপিলেট ওথোরিটি,** রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, সেন্ট্রেল ওফিস, শহীদ ভগট সিংহ মার্গ, মুম্বাই-৪০০০০১ দা য়ৌহনবা য়াই।

মখা তাবা ঈ-পাউগীদমক অমসুং ওনলাইদা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎনবগীদমক্তসু ৱাকৎলিবশিংনা রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ৱেবসাইট http://www.rbi.org.in কঞ্জ্যুমর এদ্যুকেসন এন্দ প্রোটেক্সন মীচমশিংগীদমক্তা **- বেঙ্ককী মায়োক্তা ৱাকৎশিং - বেঙ্কিং ওম্বুদসমেন স্কিমদা লোগ ওন তৌবা য়াই।**

*খঙজিনবীগদবা* ঃ **ৱাকৎলিবা নুপা নৎত্রগা নুপীনা ৱাকৎ অদুদা মশাগী লৈফম অমসুং ফোন নম্বর হাপ্পীগদবনি।**

HL-B/3177/10